ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯱꯲, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯰꯸ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ুমশকৈশা, জুলাই ১২, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ১০৮ শুবা মশীং

য়েলহৌমী কন্নবা বিল

হন্দক্কী বজেট মীফমদা বিল পুথোকপগী ওইথোকপা লৈত্রে

ইংলেন্দনা হৌখিবা চহী ২ রোমগী মমাঙদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্দগী তোক্লনবা মীয়াম্না ভোট পীখিবা অমসুং লৈঙাক্না লৌখিবা ৱারেপ অদু থাঙ্গৈশেংনমক্কীদি ইংলেন্দদা য়েলহৌমীগী ওইবা মফম অমা কঞ্জনবগীদমক্তনি অমসুং শেন্মীৎলোনদা মনিং-মখা তন্বা লৈবাক অমা ওইহন্ননবগীদমক্তনি। খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নজরবসু মীয়াম্না পীখিবা রিফরেন্দম অদুনা মরম ওইরগা অতেনবা মতমগী মনুংদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগা ইংলেন্দগা লাপতিন-তিন্নবগী মওংদা লৈরগনি। মতৌ অসুম তৌনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা দোনাল্দ ত্রম্পনা লৈবাক্তুগী প্রসিদেন্ট ওইখ্রবা তুংদা মহাক্না মীখল মমাঙদা শকখিবা ৱাশক ঙাক্লনবগীদমক লৈবাক অসিগা তাইননা লৈবা মেক্সিকোগী ঙমখৈদা কিলোমিটর লিশিং কয়া শাংবা শম্বল খাবগী থবক হৌখ্রে। মসিমকসু থবক ফংদবা অমেরিকা মচাশিংগী য়েংলগনি। মসিগীসু মথক্তা লৈবাক অদুগী ঙাকশেলগী থবক্তা হেন্না খুদোংচাহন্নবগীদমক্তনি হায়বা মীয়াম্না খঙনরে। লৈবাক অনী অসিদা নক্তনা মচি-মচি খূদিংদা য়েলহৌমীশিংগী ওইবা মফম অমা শাগৎননবা হোৎনরি। মসিদা চাউখৎপা লৈবাক নৎত্রগা চাউখৎত্রিবা লৈবাক হায়বা অমা লৈতনা তঙাইফদবা ফীভম অমা ওইহল্লে। মণিপুরদসু অদুমঙাই য়েলহৌমী কল্লু হায়বা অকনবা খোঙজং অমা হৌখিবা চহীদা লৈখি। খোঙজং অদুদা জে সী আই এল পি এসনা মীয়ামবু পুরগা চৎপা ঙমখিবদুগী মরু ওইবা মরমদি দিমান্দ অসি মরম চাবা অমসুং য়েলহৌমীশিংনা তঙাইফদবনি হায়না খনবদগীনি। অদুবু মেইনলেন্দ ইন্দিয়াদা কা-হেন্না লূপচবা মীওই খরনদি য়েলহৌমীগী ৱাফম পনবসি ইন্দিয়াগী অপুনবগী শক্তমদা শিংনবা নৎত্রগা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা লাল হৌবা ঈহৌদৌনা লৌবা য়াওই। তশেংনমক্তি ৱাখল্লোন অদু অরানবনি। হেন্না মপাঙ্গল কনবা ইন্দিয়া ওইহন্নবগীদমক মণিপুর অমুক্কা হেন্না মপাঙ্গল কনবা ষ্টেট অমা ওইদবা য়াদে। ষ্টেট অসিদা খুন্দারিবা মীশিং অসি লাখ ২৮ দগী ৩০ রোমতনি। হায়রিবা মীশিং অসিদি অচৌবা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমগী দিষ্ট্রিক্ট অমদা খুন্দাবা মীশিংনা হেল্লিবনি। মশিং অসিগী মনুংদা কূপ্না পাথোক্লুরবদি য়েলহৌমীগী অশেংবা মশিং লাখ ২০ রোমদগী হেল্লমগনি থাজদে। মসিসু তোঙান-তোঙানবা কাঙলুপশিং ওইবনা কাঙলুপ অমখক্তমক পাথোক্লুরবদি মতম অমদা হেক্তা য়েলহৌমীশিংগী খোঙ্গুল মুৎখিবা য়াবগী ফীভম লৈরিবনি।

অসিগুম্বা তানফম অসিদা মণিপুরগী মীয়াম্না মথৌ তাই হায়না খনবা য়েলহৌমী কন্ননবা বিল অমা পুথোক্তুনা এক্ট ওইনা চৎনহন্নবগী ৱাফম অসি হৌজিক্তি কালেন ছুটি থাবদৌনা ঈহৌ অমত্তা লৈতবগুম্লে। মসিগী মরু ওইবা মরম জে সী আই এল পি এসনা অকনবা খোঙজং চঙশিন্ননবা থৌরাং তৌরকপদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখলগী মতম ওইরকখিবা, হৌজিক্না অনৌবা লৈঙাক অমা লাকপসিননি হায়না লৌবা য়াই। অদুবু মীয়ামগী থম্মোয়দা য়েলহৌমী কন্ননবগী ৱাখল্লোন অসিদি মাঙলমগনি হায়বা থাজদে। তৌবতদি মীয়ামবু লমজিংগদবা কাঙবু অদুনা পূক্লিং ফাথরগা লৈখিবদগীনি হায়না লৌরবসু য়াই। মণিপুর লৈঙাকসু মীয়ামগী ঈহুল খঙনা থবক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈবনা মীয়াম্নসু হৌজিকমক্কী ওইনদি লৈঙাক্তা মখল অমত্তগী শাফু পীবা লৈত্রি। অদুমকপু জুলাই ২০ দগী হৌগদৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী নোংজু (বজেট) মীফম অসিদদি মীয়াম্না ফনমক পাল্লগসু য়েলহৌমী কন্ননবা বিল পুথোকপগী ৱাফম অমত্তা লৈররোই। অমরোমদা বিল পুথোকপদুদি অরায়বনি, খ্বাইদগী হেন্না লুরিবদি ষ্টেট অসিগী চীং অমসুং তমদা লৈরিবা মীপূম খূদিংমক্না য়ানবা পুরকপা হায়বদুনি। মমাঙদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিনা পাস তৌখিবা য়েলহৌমী কনবগা মরী লৈনবা বিল অহুম অদু কন্সটিট্যুসনগী ওইবা চয়েৎনবা বিল অমখক য়াওরবসু অতে অনী অমদি লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীরম্বা য়াবনি। অদুবু অয়াবা পীখিদবগী মরু ওইবা মরমদি য়েলহৌমী কন্ননবা লো মেকরশিংনা পাস তৌখিবা বিল অদু এন্টি-ত্রাইবেল বিলনি হায়না তোকঙা শন্দোরকখিবননি। হৌজিক্তি মমাঙদা পুথোকখিবা বিল অহুম অদুগী মরু ওইবশিং অদু লৌশিল্লগা অনৌবা বিল অমা শেম-শাবদা মতম কা-হেন্না লৌগনি হায়বগী থাজবা লৈতে। লুরিবদি ষ্টেক হোল্ডরশিংগা ৱারী শানদুনা ৱাখল্লোন তামিন্নবদুনি । মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি অনৌবা বিল অমা পুথোক্লবা থৌরাং তৌরকপদা চীং অমসু তমগী লুচিংবশিংগী ৱা তাদবা য়াদবা তানফম লাক্কনি। মখোয়গা ৱারী শানবা অমসুং বিল অমা থম্বগী তঙাইফদবদু সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা মখোয়গী থাক্তা ৱারী শানবগী মথক্তা লৈঙাক্লসু মরু ওইনা চীংমী লুচিংবশিংগা পাউ ফাওদোক্লবগী মতম য়ৌরক্লে। হন্দক্তি হিল এরিয়া কম্মিটিগী অয়াবসু লৌসি, কাঙলুপ খূদিংমক্কী ওইবা অপান্বসু খঙদোক্লবা হোৎনসি। মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং কন্ননবগীদমক অনৌবা লো অমা শেম্ননবা হোৎনবদা লৈঙাক্না হেন্না মপূং ওইবা থৌদাং লৌহন্নিংই।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

ৱাখল চুংশিন্নবগী মতাং হেন্দোকখিদৌরে

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

মতম অমদা মরাং কায়না ফংলম্বা লমদমসিদা থোকপা পোৎলম কয়া করম তৌনা খুন্তাক লানশিবগুম ওইখিবা খঙনা খঙনা, উনা উনা অদুমক লৈনবনা মশীং অয়াম্বনি। মতম অমদা ইম্ফাল তুরেল, ইরিল তুরেল, থৌবাল তুরেলদা ফাবা ঙাতোন, খাবক হৌজিকপু ফংই করম হায়গনি? অয়োকপা ঙাদগীদি তুরেলদগী ফাবনা মহাও লৈ হায়বসি খুদিংমক্না য়ানরবা খঙনরবা ৱাফমনি। করম তৌনা মাঙখিবা অখঙ অহৈগী মত্তা লোক্তাক প্রোজেক্টনা মরম ওইরগা ইথাই দাম্না থিঙ্গৎখিবা মরম্না কারক্কদবা মহাও লৈরবা ঙা মখৈ কারকপা ঙমদবদগী মমি শাল্লকপনি হায়বসিনি। অয়োকপা ঙাগা তুরেলগী ঙাগা মহাও মান্নদনা খেন্নরবসু মতম অমগী মরাং কায়না ফংবা অদুমদি হন্দক্কী মপোক্কী ওইনা ফংগনি হায়বগী থাজবা ৱাৎলি। হৈমন শিংমনবা য়াল্লকখিবনা মখল মথেল কয়া অমা থোরকপা হৌজিক্কী মীরোলসি ফাওবদা ময়ান তুয়ানগী চীঙাক ময়াম অমা লৈরকপা মরম্না চহী য়াম্না পুন্সিগদবা মান্দে। হার চাইদবা, হীদাক কাপ্তবা করম্ববু লৈরিবগে? ঙম্নমক তৌদবা য়াদবা থবক অমা ওইনা তৌনরি। হার চাইদবা, তীল হীদাক কাপ্তবা করম্বা পোৎশকনো হায়বদা অরুবা অমা ওইরি। কনা কনাগুম্বা খরদি হৌজিক ফাওবসিদা গ্যাসনা থোঙবা চাক-এঞ্জাং চাদবা য়াওদবা লৈতবা নত্তে। মখোয়দুগী ৱাখলদু করিনো হায়না নৈনরুবদা নৈনরুরিবা ঐখোয়দুম অঙাওবা তাদনিঙাই লৈরোই। মী য়াল্লকপগী মতিক মথেল ময়াম অমা থোরকপা মসি ফাওবা চিংথ-নাম্থবা য়াওরমগদৌরিবনি। শুদনা নুংঙাইবা পাম্বগী হৈনবী অমা মীওই খুদিংমক্তা লৈরকপনা ঙম্নমক য়াওরকপা মশানা তাবনি। ফৌ চক্রিদা তক্লগা শুম্বন্দা শুরগা শীজিন্নরম্বা চেঙ অদুসু কদোমদগী নুংশিংনা হুমদুনা পুখ্রিবনো খঙহৌদনা মাঙখিদা। জ্ঞানগী মপূং ফাবোই ফাদবোই তৌরিবা হৌজিক্কী অঙাংশিংসিদা মতম অমদা চক্রি করিনো? ফৌ শুনবা শুম্বন করিনো হংবদা খঙদবনা মশীং অদুমক য়াল্লগদবনি। মসিগীদমক হৌরক্লিবা অঙাংশিংসিনা খঙনবা ম্যুজিয়মদা থম্বগী তঙাইফদবা লৈ।

মাঙহন-তাকহনবগী হৈনবী অমা মীপুম খুদিংদা য়াওরকপসিনা মমৈদদি ঐখোয়সে শুংশোয় শোয়দনা নীংঙমদবা লাক্তনিঙাই লৈরোই। য়ুবু পামজবা কনাগুম্বা খরদি সংস্কার য়াওরবদি শুংশোয় শোয়দনা য়ু থকপা ফংলগনি হায়বগী থাজবা লৈরিবনি। শিরগা থাংদোকপদা ঈশৈ শক্লিবা, পুং য়ৈরিবা ওজাশিংদা নমদনা মরুপ-মপাং, মরী-মতানা পৈশা থানরি। মসিগী চৎনবীসিনা কদোমদগী করম তৌনা চঙলক্লিবা খঙদনা অদুমক ঐখোয়গী চৎনবীদা তোকখায়দুনা য়াওরিবনি। নুংশিরবসু পিরাং শিঙ্থুরবসু খুরম-লিপাই তৌবদা পৈশা থাদ্রবা মরীং মরাংবা ওইনা উনরি। হিংলিঙৈগী মতমদা মীয়াম্না থোইদোক হেন্দোক্না নুংশিরবা মীকপ মীরাওখোলনা নিলগদৌরিবনি। কপ্পা লাওনবগী মনা মনিল অমা ফাওবা লৈত্রবা অদুগুম্বা মীওইদু শিদ্রিঙৈগী মতমদা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবগী ৱাখল অদুমদি য়াওরমদবনি হায়না লৌবদা শোয়দনা লানগনি। নোংবানগী লিচৎ, লংকাগী রাবনগী লিচৎ, য়াইরিপোক থম্বালনুগী মতমদা লৈরম্বা পুনম সিং মখোয়শিংসি হৌজিক ফাওবা করিগুম্বদা হিংবা থোক্লল্লবা কনা অমত্তনা নুংশিদা হায়ররোই। মালেমসিদা খ্বাইদগী ৱাংবা খ্বাইদগী লূম্বা করিনো হংবদা মসিগী পাউখুম ওইনা নুংশিনবনি হায়না পীবদা কনামত্তনা লাল্লি হায়বা ঙল্লরোইদবনি। তাইবঙ মীওইবনা ফত্তবা থবক ময়াম অমা তৌরুরগা মরানশিংদু কোক্লুবগীদমক লাই নীংবা কান্নগদবা নৎতে। তুংগী শুরোলনা নীংশিংহৌনবগীদমক নীংশিংবা য়াবা খরদি তঙাইমক ফদনা থমদ্রবদি হিংহৌদৌরিবা শুরোন্না পেঞ্জদবা ওইগনি। মতমনা কাবক-কাবক লৈরিঙৈসিদা ঐখোয় করি তৌবা তাই? হিংলিবা ঐখোয় খুদিংমক ৱাখল চুংশিন্নবগী মতাং হেন্দোকখিদৌরে।

অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা
খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল

নোং-ও চুথরো লাংজিং মতোন থুমহৎলো

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিঙোম্বা

মমাঙঙৈদগী নোংলাও ঈশৈ হায়না অমা লৈরম্মী। কুম অমা নোং তারক্তবদা নোংলাও ঈশৈ শক্তুনা অজা-পুজা তৌরগা নোং তারকই হায়না খন্নবা য়াম্না থাজনবা মতম অমা লৈরম্মী। মদুদগী হেন্দোক্তুনা চহী খরগী মমাঙদা কুম অমদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইবিরম্বা লৈখিদ্রবা ৱাহেংবম নিপামচাগী মতমদা ঈকং থোক্তুনা লৈবাক অৱাবা তাখিবা অমা লৈখি। হায়রিবা মতম অদুদা লৌবুক পূম্নমক লৈত্রক চৎতুনা লৌ উবা য়াদবা, ইঙ্খোলগী মনা-মশিং অমত্তা থাবা য়াদদুনা হা-কার লাউনরবদা, ষণবী ১০০ শঙ্গোম শুন্মগা লাইদা কৎলবদি নোং তাগনি হায়না হায়রকপা য়াওবদগীরা কৈনো শঙ্গোম কৎখিবগী ৱা লৈখি। নোংদি অদুম তারকখিদে। মসি মণিপুরগী ৱা ঙাক নত্তে, লম খুদিংমক্তা মাগী মাগী থাজনবী লৈ, কনা অমনা জগোয় শাদুনা পুজা তৌনৈ, কনা অমনা অহিংদা, নুংথিলদা মখল কয়াগী পোৎলম চৈরক কৎতুনা পুজা তৌদুনা নোং তারক্লবা কন্না হোৎনৈ। মপা চুমদুনা নোং তারকপসু অদুম য়াওই। শুংতা তারক্তবসু অদুম য়াওই। গুহা তৌখৈ তৌরগা ঈশিং ফংদবসু অদুম য়াওই। লাই খুরুম্মগা ঈশিং থোরকপসু লৈ হায়বগী ৱারী ৱাখোঙ কয়া ঐখোয় তাখ্রে।

হৌজিক্তি নোংলাও ঈশৈ শকপগী মথৌ তাদ্রে। নোংসি কা অমা হেন্না মরাং কায়না চুফম থোকপা চাংদগী হেন্নদুম চুরে। মসিগী মরমদি অখঙ অহৈশিংনা হায়নবদা, উ-ৱা কোকথোকপা, চীংদা ঝুম কল্টিভেসন তৌশিল্লকপা, উ ময়াম য়াম্থৎতুনা জঙ্গল কোকথোকপদগী অইং অশা খেন্নরকপা অমদি মহৌশাগী ওইবা খোঙচৎতা অকায়বা লাকপনি হায়না হায়নরি। শোয়দনা চুল্লমগনি। অদুনা উ-থাবগী থবক মায়কৈ কয়াদা কন্না চথবা উরে। হৌবগী পাউদি ইতা তাদে, থাবদি য়াম থারে, লম্বী মপান্দা অমদি লম্পাক মচিদা পংথাদা থানবনা মফম চাদবদগী খিত্তং চাওরকপদা য়াম্থৎপসু অদুম উরে। সিনা অহৌবা খরগী ৱানি, থারগা শুংহৌ হৌদবনা অয়াম্বনি। কেমেরা মমাঙদদি কনাগী অচৌ অশাং পূম্নমক উ য়াম থাবা উবা ফংই। অদুগুম্বা অচৌ অশাংশিং অদুনা কেমেরা মমাঙদা থাখ্রবা মতুংদা উদু হৌনবা ঈশিং চাইবা, শম্বল খাবিবা অমদি মখোঙ শোন্বীবদি ঙসি ফাওবগী মনুংদা ইমিৎ তাংনি অমুক্তা উজদ্রি। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা চহী কয়াগী মমাঙদগী চহী হেক খুদিংগী উ-চারা ময়াম অমা চীংদা মান্দা পান্বী লিশীং-লিশীংলোমদা থাবগী পাউদি লৈ, পান্বী অমা থাবদা চঙলিবা শেনফমশিং অসি য়ামখ্রবনিসু হায়নৈ, উ অথামল (মী নেক্তুনা থাহনবগী), চারাগী মমল, কাঙখুল তৌবগী মমল অদুগা থারবা উদু ঙাক শেন্নবা পান্বীগী অকোয়বদা শম্বল খাবগী শেনফম, য়ামখ্রবা শেনফমনি হায়নৈ। অদুবু চীং অমতদা থাখ্রিবা উ ময়ামদু মপূং ফানা হৌরবরা নৎত্রগা মশীং শুনা মফম চানা থাবরা হায়বদুদি কন্নানসু থিরুদে। হৌবু হৌরদি চীং খুদিংমক চহী ২০ ফারবা উ ময়াম অমনা পূমশং শঙলবা য়াই। মদুমক্তি উবা ফংদ্রি। কুমসি চহীসিদগী হৌরগা অনৌবা লৈঙাক অসিনা উ থাসি হায়বা পাউজেলগা লোয়ননা কাঙলোন কায়না উ ললোনবশিং ফাগৎতুনা চৈরাক পীরক্লিবা অসিগী য়েংলগদি অনৌবা থৌশিল অমা পুথোক্তুনা উ নিংথিনা থানবা, হৌনবা শোয়দনা হোৎনরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্বা য়াই। মসিগী মরকসিদা য়াম্না নুংঙাইরিবদি মেরিটোরিয়স এৱার্দ লৈকায় খুদিংগী য়েন্থোকপা অসিদা উ পান্বী চারাসু মনা পীবদা য়াওরকপা খরা উবা ফংলে। মসিমদি তশেংনা নুংঙাইবা অমনি। মীয়ামসু মসিগী তঙাইফদবা কয়া অসি খঙলকপগুম তৌরকপা অসিমক্তি য়াম্না লাইবক ফবনি হায়না হায়বা য়াই। অসিদা নক্তনা মমাঙঙৈদগী হৌনা থৌরম অমা হৌদোকপদা মৈরা চুখৎপগী চৎনবী অসিগী মহুত্তা নৌনা থাবা উ পান্বীদা ঈশিং চাইবনা মহুৎ শিনবা য়াওরকপা উবা ফংলে, মসিগসিদি তশেংনা মীয়ামদা অফবা পাউজেল পীবগা লোয়ননা অনৌবা খোঙথাং অমনি হায়না হায়দবা ঙমদে।

ইজরিবা ৱারেং অসিগী ৱাখলদা অমুক লাক্লবদা নোং খজিক্তং হেক চুবগা ঈশিং তখৎতনা থুম্বগী অৱাবা অমা লৈরিবা অসিগী মতাংদা মীয়ামসু পূন্না নৈনদুনা করিদগী থোকহল্লিবনো হায়বা খন্নবা মতম থিল্লে। সুম য়েংজরবদা লৈকায় অমত্তদা ঐখোয় লৈকায়দা নোং হেক তাবগা ঈশিং থুম্মীসি মরমসিননি, অদুনদি ঐখোয় সুমাইনা তৌসি, তৌরোইসি হায়বগী নৈনবা ক্লব অমত্তদা অমদি লৈকায় অমত্তদা শিল্লি হায়বগী পাউ তাবদি পাক লৈতে। লৈদি লৈরমগনি, অদুবু মদুগী কান্নবদি থোইদোক্না উবা ফংদে হায়না মীয়াম্না হায়নৈ। হৌজিক তৌরিসিদি পুংখাই অমতং নোং খজিক্তং কন্না চুবদা ইম্ফাল অমদি মসিগী অকোয়বদি ঈশিং থুম্মী। থুমদে হায়না মরৈ য়েৎপা ঙম্বা অমত্তা থোরক্কনি থাজদে। মসিগী চাউরবা মরমদি, ইরম-খোঙলম মতিক চাদবা, হান্না পাক চাউনা লৈরম্বা খোঙলমশিংনা লম খোপচিন্দুনা য়ুম শাজিল্লকপা, ৱাল চনশিল্লকপা কয়া অসিনসু ওইবা য়াই। লম্বী পাকথোরকপদা খোঙলমশিং ফুনজিল্লকপনসু ওইবা য়াই। মতম অমদা ঈশিং য়োকশিন্নবা পুখ্রি খোংবান লৈরম্বা কয়াশিং ফুনজিন্দুনা য়ূমসা কৈশারোমদা অমদি অতৈ হীরম কয়াদা শীজিন্নখিবনা লাক্লিবা ঈশিং খুদিংমক্কী তুংফম লৈরক্তবনসু ওইবা য়াই, অমরোমদা তুরেল খোঙবাল্লোমদা অমুক য়েংলুরবসু তুরেল খোংবান্দা, মখল কয়াগী হিদেন শাজিল্লকপা লোয়ননা মোঙফম শেমজিনবা, অমরোমদা তুরেল খোংনুং মনুংমক্তদা পাট্রাফাওবা তাশিন্দুনা ময়ূম মকৈ শাজিল্লকপা, তুরেলদা মখল কয়াগী অমোৎ অকায় লংথোকপনা তুরেল খোংনুং থেনজিল্লকপা, মরম য়ামখ্রে। য়ামখ্রবা মরমশিং অসিনা তুরেলগী মরাইবক অসি নোংমা নোংমগী থেনজিল্লক্লি। মসিসু থোইদোক্না অতম্না ব্লেম তৌফম লৈতে, মরমদি লম্বী পাকথোক্তবা, মীশিংদি য়ামখৎলকপা কয়া অসিনসু মশা মশাগী কা হেন্না খুদোংচাবা লৌনরকপননি হায়বদসু হায়মনবা থোক্লোই।

অনৌবা লৈঙাক অসিনা তুরেল তেংনবা হোৎনরগনি হায়বা পাউ তাবা লৈখ্রে। কদাইদগী কদাইফাওবা তেংদৌরিবা, করম্বা কাঙলোন অমদা তুরেলগী ফীভম ফগৎনবা হোৎনগদৌরিবনো হায়বদুমদি শোয়দনা মরম থি থিদুনা থোরক্লগনি। লুরিবদি ময়ূমগী অমোৎ অকায় তুরেলদা লংথরিবসি, মসিমতগা তোক্লরদি খরসু ফগদবনি। হেক অমোৎপা হায়দুখৈ তুরেলদা প্লাষ্টিক অমদা য়োম্মগা মী উদ্রিঙৈদা থোক থোক লংথোরকপা ময়াম অসিনা তুরেলশিং থেনগৎপা হেল্লক্লিবনি। চীংদগীসু উ মপূং ফানা হৌদ্রবনিনা অমুক মুক নোং তারকপদা চেন্থরকপা নূংচাক, লৈচাক ময়ামশিংসিনা তুরেল ফজনা থেনগৎহল্লক্লি। চহী খুদিংগী তুরেল থেনবগী চাং হেনগৎলক্লিবনি। অমরোমদনা তুরেলশিংসিনা সুম পীকশিল্লক্লিবা অসিগী মরম অমসু লৈফম থোকই। তুরেলসি মমাঙঙৈদা য়াম্না পাক চাউনরম্বনি। হৌজিক্তি অতৈ লমগা য়েংনবদা তুরেল মান্দবা দ্রেনেজ মানবা ওইনা উরে। অচৌবা ষ্টেটশিংদা লৈবা দ্রেনেজ অমগী পাঞ্চক ওইরিবা তুরেলশিং অসিগী ফীভম ফগৎহনবা হায়বসিদা ঐখোয় খুদিংমক্কী চাউরবা থৌদাং লৈরিবনি। থৌদাংশিং অদু নীংথিনা মশক খঙলগা থৌ পাঙনরবদি খরসু মফগদবনি। ঈশিং চাউরকান্দতা ঈশিং চাউবগী অৱাবা নীংশিংবা ওইনা তৌবসিনা নোংমা নোংমগী ফীভমদি হেন্না শোকচিল্লক্লি। মসিগুম্বা ঐখোয়না ৱাখল তারক্তবা অসিদদি নোংসিনা সুম চুথরকপনা মমৈদদি অহল লমনশিংনা হায়নরম্বা, নোং-ও চুথরো লাংজিং মতোন থুমহৎলো হায়বা শোয়দনা থুম্সক্কদৌরিবনি। মতমদুদা মীয়ামসিনা কমাই তৌবা? অদুৱাইদগদি ৱাখল তারক্কদরা?

বেট্টরি য়াওদবা মোবাইল ফোন

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

নোংমা-নোংমগী চাওখৎলক্লিবা মালেমসিদা থিজিল্লিবা সাইন্টিষ্টশিংনা থাজদবা কয়া পুথোরক্লি অদুগা মদুগী খুদোংচাবসু মীয়ামদা ফংহল্লক্লি। মণিপুরদা মৈগী ফীভম য়াম্না ফৎত্রিঙৈদা মোবাইল চার্জ লোইখিবদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখিবা ঐখোয়না কাউবা ঙমদ্রি। অদুগুম্বা খুদোংচাদবশিংদু মেনখৎনবা ইনভর্টর, ত্রাভেল চার্জর অমদি পৱার বেঙ্কনচিংবা কয়া পুথোরকখি। মদুনা খরগী মখৈদি খুদোংচাদবা মাঙহনখি। অসুম্না লাক্লিবা খোঙচৎসিদা ঙসিদি বেট্টরি য়াওদবা ফোন পুথোরকপগী নুংঙাইরবা পাউ থুংলরে। মসিনা বেট্টরিদা চার্জ লোইশিল্লক্লে হায়বগী নুংনাংবা অদুমদি শোয়দনা কোকহল্লগনি খল্লি।

বেট্টরি য়াওদবা ফোন! তাবদা ঙকপা পোকই। মদুবু ওইথোকপা য়ারিব্রা? করিগী য়াদনি। মীনা ঙমদবা হায়বসি মতম খরখক্তগীনি। বেট্টরিনা থোকহল্লিবা ইলেক্ট্রিক করেন্টসি অতোপ্পা পান্থৈ কয়ানসু ফংহনবা য়াই। নুংশা মঙাল, মৈগী মৈঙাল অমসুং রেদিও সিগ্নেলনচিংবসি এনর্জি ঙাক্তনি। নুংশা মঙালদগী ইলেক্ট্রিক লৌবা হায়বসিদি অনৌবা অমবু ওইদ্রে। রেদিও সিগ্নেলদগী ইলেক্ট্রিক লৌবা হায়বসিদি ঐখোয়দা নৌনা থোক্লি। হন্দক য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱাশিংটনগী থিজিল্লোয়শিংনা ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা মঙাল নৎত্রগা রেদিও সিগ্নেলগী য়াম্না পীকপা পৱার লৌশিল্লগা চল্লাইবা য়াবা ফোনগী প্রোটোটাইপ অমা পুথোরকপগী মতাংদা জুলাই ১ গী 'প্রোসিদিংস ওফ দ এসোসিএসন ফোর কম্প্যুটিং মেছিন্নরি ওন ইন্টরেক্টিভ, মোবাইল, ৱিনেরেবল এন্দ য়ুবিকুইটস টেক্নোলোজিজ'দা ফোঙদোরকপসি তাবদা নুংঙাইরোইদবা মী ইরৈ লৈরোইদ্রা খল্লি।

হৌজিক ঐখোয়না বেট্টরিগী মতেং লৌরগা শীজিন্নরিবা ফোনশিংসিনা খোঞ্জেলবু পুরিবা এনালোগ সিগ্নেলশিংবু ফোন্দুনা খঙবা ঙম্বা দিজিটেল দেটাদা ওন্থোকই। মসিদা এনর্জি য়াম্না চঙই। ফোন অমুক্তং তৌবদা মিলিৱাট্ট ৮০০ মুক চঙই। মসি চাউরাক্না ৱাট্ট অমনি হায়না লৌবা য়ারে। অদুনা পৱার পীক্লবদি চল্লাইবা ঙমদে। অদুনা পৱার চাউনা পীবা ঙম্বা বেট্টরি অমগী মথৌ তাই। অদুবু য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱাশিংটনগী থিজিল্লোয়শিংনা পুথোরক্লিবা বেট্টরি য়াওদবা ফোনসিনা তোপ তোপ্পা কাঙলোন অমা শীজিন্নরি। ঐখোয়না ফোন্দা কনাগুম্বা অমগা ৱারী শারে খল্লসি। ঐনা ঙাঙবা মতমদা মাইক্রোফোন্দা ভাইব্রেসন থোকই। অসুম্না ঐনা অতোপ্পা মীদুগী খোঞ্জেল তাবদা স্পিকরদসু ভাইব্রেসন থোকই। অসিগুম্বা ভাইব্রেসনসিবু এন্টিনা অমগী মতেংনা লৌশিল্লগা ফোন্দুনা খঙবা রেদিও সিগ্নেলদা অহোংবা থোকহল্লি। হায়রিবা রেদিও সিগ্নেলসি খূৎশেমগী সেলুলর বেজ ষ্টেসন অমদগী থাদোরকপনি।

খোঞ্জেল থাদোক-থাজিন তৌবগী কাঙলোনসি থোইদোকনা অরুবা অমা ওইদে। ৱা ঙাঙবা মতমদা মাইক্রোফোন্দা থোরকপা ভাইব্রেসন্দু শীজিন্নরগা থক্তোরকপা রেদিও সিগ্নেলদা স্পিচ পেট্টর্নশিংদু ইনকোদ তৌশিল্লগা ট্রান্সমিটরনা থাদোরকই। অতোপ্পা মীদুনা খোঞ্জেলদু তানবগীদমক মহাক্কী ফোন্দুদা য়াওরিবা রিসিভরনা ইনকোদেদ রেদিও সিগ্নেলদু খোঞ্জেলগী ভাইব্রেসন্দা ওন্থোকহল্লগা স্পিকরদা থাজিন্দুনা তাবা ঙমহল্লি। মখোয়না হৌজিক পুথোক্লিবা প্রোটোটাইপসি মোবাইল শেন্ফম অমদা হেক্তা ফংবা কম্পোনেন্টশিং শীজিন্নদুনা সর্কিট বোর্দ অমদা হাপচিল্লগা শাবনি। মসিনা ৱারী-ৱাতাই শান্নবা, দেটা থাদোক-থাজিন তৌবা য়াই। বেট্টরি য়াওদবা ফোনসিনা 'স্কাইপ' হায়না খঙনবা এপসিগী মতেংনা ইনকমিং কোলশিং ওকপা, অতোপ্পা হেন্দসেট অমদা কোল তৌবা অমদি কোল্লর অমবু হোল্ড তৌদুনা থম্বসু য়াই।

থিজিনবগী থবকসিদা অচৌবা থৌদাং য়াখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱাশিংটনগী পোল জি এলেন স্কুল ওফ কম্প্যুটর এন্দ এঞ্জিনিয়ারিংগী এসোসিয়েট প্রোফেসর শ্যাম গোলাকোটানা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না মখোয়না অকোয়বদগী রেদিও সিগ্নেল শীজিন্নদুনা শারিবা ফোনসিনা শীজিন্নরিবা ইলেক্ট্রিকসি জিরোগুম্বনি মরমদি মসিনা শুপ্নগী মাইক্রোৱাট্ট ৩.৫ খক্তমক দরকার ওই। হায়বদি মসি হৌজিক ঐখোয়না শীজিন্নরিবা বেট্টরি য়াওবা ফোন অমনা কোল অমুক্তং তৌবদা চঙলিবা এনর্জিগী চাংদুদগী শরুক লাক্ষ ১০ মুক্কী চাংদা হন্থরিবনি। এলেন স্কুল অমদি য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱাশিংটনগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইলেক্ট্রিকেল এঞ্জিনিয়রিংগী প্রোফেসর অদুগা থিজিনবসিগীনা লুচিং পুরেল ওইখিবা জোসুৱা স্মিথনা হায়রিবনা বেট্টরি য়াওদনা চলাইরিবা সেলফোনসিনা হৌজিকমক্কী ওইনদি ফোনখক্তদা মিৎয়েং থল্লি অদুবু তুংদদি মসিনা অতৈ বেট্টরিনা চলাইবা খূৎলায়শিংদসু কান্নবা পীবা ঙমগনি হায়বসিনি।

ৱাশিংটনগী থিজিল্লোয়শিংনা রেদিও সিগ্নেল থাদোক্নবা অমসুং লৌশিন্নবা বেজ ষ্টেসন অমা শাখি। মসি বেট্টরি য়াওদবা ফোন্দুগী ফুট ৩১ ফাওবা লাপ্না থম্বা য়াই। মসিগীদমক মখোয়না এনর্জিগী সোর্স অনীখক শীজিন্নৈ। অহানবদা বেজ ষ্টেসন্দগী থাদোরকপা রেদিও সিগ্নেলসিবু ফোন্দুগী পৱার সোর্স ওইনা শীজিন্নৈ। অতোপ্পা অমনা থিজিল্লোয়শিং নুমিৎ মঙালদগী এনর্জি লৌবগী পান্থৈ শীজিন্নখি। মসি হৌজিক ঐখোয়না শীজিন্নরিবা সোলর সেলগা মান্নৈ। অদুবু মসি য়াম্না পীকই। চাউরাক্না চেঙ মরু অমমুক্তা চাউই। মসিনা বেজ ষ্টেসন্দগী ফুট ৫০ ফাওবা লাপ্না থম্বদা মথৌ তৌবা ঙম্মী। বেজ ষ্টেসনসি তোঙান্না শারুবগী মহুত্তা ৱাই-ফাই রুটর নৎত্রগা সেলুলর নেটৱার্ক অমনা রেদিও সিগ্নেলসি থাদোকহন্দুনা শীজিন্নবসু য়াগনি।



রেদিও ফ্রিক্বেন্সিগী মতেংনা বেট্টরি য়াওতবা খুৎলাইদা ইন্তরনেত শম্বগী মওং তাকপা লাইয়েক



বেট্টরি য়াওতবা মোবাইল ফোনগী প্রোতোতাইপ

বেট্টরি য়াওতবা ফোন পুথোকপদা শরুক য়াখিবশিং (ওয়দগী) ভামসি তল্লা, ব্রু মিসলিং, সাম ক্রো, জোসুৱা স্মিথ, ব্রাইস কেল্লোগ অমসুং শ্যাম গোলাকোতা

হৌজিক কৈথেলদা বেট্টরি য়াওদনা চলাইবা য়াবা খূৎলায় খরা ফংলে। মখোয়গী মনুংদা টেম্পেরেচর সেন্সর অমদি এক্সেলরোমিটরনচিংবা পনবা য়াই। মখোয়সু ঐখোয়গী অকোয়বদা ফংবা নুংশা মঙালগুম্বা এনর্জিশিং শীজিন্নবনি। অদুবু মখোয়গী খুদোংচাদবা অমদি মখোয়না ওল্লিবা অদু লোয়রবা মতুংদা মিনিট অমা অনীদি 'স্লিপ' মোদতা লৈ। মরমদি মথং ওনবদা দরকার ওইবা এনর্জিদু নুংশাদগী লৌশিনবা তাই। অদুবু বেট্টরি য়াওদবা ফোনসিদদি মদুগী মথৌ তাদে। ঐখোয়না পাল্লিবা মখৈ অদুম লেপ্তুনা শীজিন্নবা য়াই।

বেট্টরি য়াওদবা ফোনসিনা রেদিও সিগ্নেল নৎত্রগা নুংশা মঙালদগী ফংলিবা এনর্জিসি মাইক্রোৱাট্ট ১ নৎত্রগা ১০ গী ওর্দরদনি। অদুনা মীয়াম্না শীজিন্ননবগীদমক কৈথেলদা ফংহনবগী মতাংদদি হেন্না ফগৎলবা নৎত্রগা অনৌবা মখলগী কাঙলোন অমগী তঙাইফদবদি লৈরি। হৌজিক থিজিল্লোয়শিংনা মখা তানা ফোনসিগী ওপরেটিং রেঞ্জ হেনগৎহন্নবা অমদি কোদিং অমসুং ইনকোদিং তৌবগী থবকসি ফগৎহন্নবা হোৎনরি। হৌজিক মখোয়না পুথোক্লিবা সেলফোনসিদদি দিসপ্লে য়াওদ্রি। হায়বদি মসি ৱাকি-টোকি অমগা মান্নরি। ট্রান্সমিটর অমসুং রিসিভর অনীগী মরক্তা শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌহন্নবগীদমক বটন অমদা নম্বগী মথৌ তারি। বেজ ষ্টেসন অমগী মথৌ তারিবসিসু ফোন মশামক্তা হাপচিনখিবা য়াগনি হায়না থিজিল্লোয়শিংনা থাজবা থল্লি। লোয়ননা পৱার য়াম্না হন্থবা ই-ইঙ্ক স্ক্রিনশিং শীজিন্নদুনা দিসপ্লে হাপ্নবা হোৎনরি। মসিগী মখা তারকপা ওইনা ভিদিও থাদোক-থাজিনগী থবক ফাওবা ঙমহন্নবা হোৎনগদৌরি হায়না থিজিল্লোয়শিংনা ফোঙদোক্লি।